# মণিপুরদা ঈশিং লমজেল অমদি ৱাটর পোলো মশান্না অসি লময়ানবা অহল-লমন ১৭না থৱায় য়াওনা হৌদোকপীরম্বনি

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**অকাউ-পরৈ চল্লুরবশিং**



ক্ষেত্রি য়াইমা
*ভেটরান প্লেয়র*

*(ঙরাংগী মখা)*

মণিপুরদা ঈশিং লমজেল অমসুং ঈশিং বোলগী মশান্নশিং হৌরকখিবগী মতাংদা অরিবা রেকোর্দ খরসু ফঙজরে। হায়রিবা ঈশিং মশান্নশিং অসি করম্না হৌদোরকখিবগে হায়বা তারগদি, ঙসিদগীনা চহী ৫৪ গী মমাঙদা কোংবা বজারগী অকোইবদা লৈরিবা অহল-লমন, লাই-গুরুশিং পুন্না মীওই ১৭না থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনবীদুনা হৌদোকপীরকখিবনি। কুমজা ১৯৫৫গী সেপ্টেম্বর ২২দা স্বিমিংগী কম্মিতি অমা কোংবা বজারদা ইহান হান্না শেমখি।

লময়ানবা অহল-লমনশিং অমদি মখোয়না পায়বীরম্বা ফমশিংগী মতাংদা পঞ্জরবদা লাইখুরাম বিরহরি (ফাউন্দর প্রসিদেন্ট), লোঙজম সূর্য্যকান্তা (ফাউন্দর সেক্রেটরী), য়ুম্নাম বিরা সিংহ (ফাউন্দর এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী), পুখ্রম্বম ইবোমচা (ফাউন্দর মেম্বর), থোইদিংজম তোমচৌ (ফাউন্দর মেম্বর), মোইরাংথেম নোবোকুমার (ফাউন্দর মেম্বর), অথোকপম মুনাল (ফাউন্দর মেম্বর), ক্ষেত্রিময়ুম নোগীন্দ্রো (ফাউন্দর মেম্বর), থোকচোম তোম্বা (ফাউন্দর মেম্বর), থাংজম ইবোতোম্বী (ফাউন্দর মেম্বর), অথোকপম লুখোই (ফাউন্দর মেম্বর), থিংবাইজম মেঙ্গোর (ফাউন্দর মেম্বর), পাঙম্বম পাঙ্গোহ (ফাউন্দর মেম্বর), খ্বাইরাকপম বিজয় (ফাউন্দর মেম্বর), রাজকুমার নিলমনিসনা (ফাউন্দর মেম্বর), এল অখিলচন্দ্র, পি ইন্দ্রজিৎ হায়রিবশিং অসিনি। ঈশিং লমজেল অমদি ঈশিং বোলগী মশান্না হৌদোকপীরম্বা অহল-লমন ১৭ অসিগী মনুংদা হৌজিক হিঙলিবসিদি শুপ্পগী পাঙম্বম পাঙ্গোই খক্তমক ঙাইরে।

অমরোমদা, ঈশিংগী লমজেল অসিদি কুমজা ১৯৫৫গী সেপ্টেম্বর ১১দা কোংবা বজারদা লৈবা শ্যাম পুখ্রিদা অহানবা ওইনা পাঙথোকখ্রে। মণিপুরদা ইহান হানবা ওইনা লমদমসিগী মীয়াম্না স্বিমিং রেস কম্পিটিসন উবা ফঙখিবসি, মদুনা অহানবনি। মখা তারকপদা কুমজা ১৯৫৬কী সেপ্টেম্বর ১৫ থাংজ হৈক্রু হিদোংবা নুমিৎতা স্বিমিং কম্মিতি অসিনা স্বিমিং রেস কম্পিটিসন অমসুং ৱাটর পোলো টুর্নামেন্ট মথং শীৎনা পাঙথোরকখি। নুমিৎতুদা ৱাটর পোলো হায়রিবা মশান্না অসি মণিপুরগী মীয়াম্না শকখঙবগা লোয়ননা উবা ফঙখি। অহল-লমনশিং অসিনা ঈশিংগী মশান্নশিং অসি হেন্না চাউখৎলক্ক নবা তপ্না তপ্না হোৎনবীরকখি। অসুম্না কুমজা ১৯৫৭তা হান্না লৈরম্বা স্বিমিং কম্মিতি হায়বা মমিংসি 'দি ৱাটর টুর্নামেন্ট বোর্দ' হায়না মমিং ওন্থোরকখি। কুমজা ১৯৫৭ অসিদসু স্বিমিং রেস কম্পিটিসন অমসুং ৱাটর পোলো টুর্নামেন্ট অনীমকসি শ্যাম পুখ্রিদা য়াম্না মপুং ফানা পাঙথোকখি।

মসিগী মতুং কুমজা ১৯৫৯ ইংদা 'দি ৱাটর টুর্নামেন্ট বোর্দ' হায়বসি মমিং অমুক ওন্থোক্লগা 'ওল মণিপুর এক্বাটিক স্পোর্টস ওর্গনাইজেসন' হায়না কৌরকখি। চহীসিদসু স্বিমিং রেস অমসুং ৱাটর পোলো টুর্নামেন্ট মায় পাক্লা চাউনা পাঙথোকখি। হায়রিবা চহীসিদা মণিপুরগী ওইনা খনগৎলবা পুন্না স্বিমর তরুক্লা ইন্দোরদা পাঙথোকখিবা 'মঙাশুবা নেসনল স্কুল গেমস'তা শরুক য়াখি। লোয়ননা মণিপুরগী স্বিমর টিম্না অহুমশুবা পোজিসন তারকপগা লোয়ননা মীয়াম্না ঈশিং মশান্নদা শকখঙবীবা হায়বদু ওইখি। খোঙচৎতুদা ঐহাক ইশামকসু য়াওজখি। ইন্দোর চৎপদা য়াওখিবশিং অদুদি, হৱাইবম অরুনকুমার (কোংবা বজার), ঐহাক ইশামক ক্ষেত্রিময়ুম য়াইমা (কোংবা বজার), অকোইজম দেবেন (থৌবাল), কুঞ্জবাবু সিংহ (ককচিং), আর কে সনাতোম্বী (ককচিং), মনিহার সিংহ (চিঙামখা)নি।

স্বিমিং রেস অমদি ৱাটর পোলো টুর্নামেন্ট অসি অহানবদদি শুপ্পতংগী টিম মঙা/তরুকখক্তনা শরুক য়ারম্মী। অদুবু মমৈদদি টিম মশিং মথং মথং হেনগৎলক্তুনা কুমজা ১৯৬০, ১৯৬১, ১৯৬২ গী মতমসিদদি, পুন্না টিম ২৬ না শরুক য়াবা অচৌবা মপুং ফাবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরকখি।

অদুগা কুমজা ১৯৫৫ দা তৌখিবা স্বিমিং রেসতা সিনিয়রগীদা ফষ্ট তাখিবসিনা লাইখুরাম নোদিয়া (উচেক্কোন) নি। সেকেন্দ অমসুং থার্দনা থোকচোম দ্বিজমনি অমসুং তখেল্লম্বম ব্রোজেন্না তাখি। জুনিয়রগীদনা এস কোসো সিংহ (শীংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাই)না ফষ্ট, ঐহাক্লা সেকেন্দ, অদুগা লাইখুরাম ইরাবতনা (কোংবা বাজার) থার্দ লৌখি।

কুমজা ১৯৫৬কী মিটর ৩০০ গী স্বিমিং রেস (সিনিয়র) অসিদা ফষ্ট পোজিসন লৌখিবসিনা টি ঐচ দ্বিজমনি (য়ু এস সী), সেকেন্দ তাখিবসিনা টি ব্রোজেন্দ্রো (কে এস সী), থার্দনা এল সরত সিংহ লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা তাখি। হায়রিবা চহীসিগী জুনিয়রগীদনা মিটর ২০০ গী লমজেলসিদা ঐহাক্লা ফষ্ট, দল্লিয়ু অরুন সিংহ (নোংমৈবুং) সেকেন্দ, এল ইরাবতনা থার্দ তাখি। লোয়ননা ৱাটর পোলো টুর্নামেন্টকীনা কোংবা ষ্টুদেন্ট ক্লবনা ৱিন্নর অদুগা ৱাংখৈ ষ্টুদেন্ট ক্লবনা রন্নরস-অপ ফংখি।



...মথং মথং...

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৯

১) খা কোরিয়া মচা অমনা ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল হেক ফংখিবগা অসুম্না হায়খি "ঐনা য়ুন অমসুং মহাক্কী ইমাদা ঙাকপীয়ু হায়রি। ঐগী সনাগী মেদল অসি মখোয়গা ঐগা পুন্না ফংমিন্নবনি"।
(ক) মসি কনানা হায়খিবনো? (খ) করি মরমগী হায়খিবনো?

২) মহাক য়ুরোপ মচানি, ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননী, ফিল্মসু য়াওখি, কুমজা ১৯৯৮দা কার এক্সিদেন্টতা লৈখিদবদা মালেম পুম্বনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৩) ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমগী মেদল ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিনিনা মতম খরা লৈরগা লৌশিনখি। মরমদি মহাক প্রোফেস্নেল ওইনা শান্নবদা শরুক য়াই হায়বগী মরমদনি। মহাক শীরবা মতুংদা মহাক্কী মশুশিংদা মহাক্কী মেদল অদু অমুক শীন্নখি। মহাক কনানো?

৪) ঐহাকপু চেকশুবা নিপানি হায়দুনা ইংলেন্দগী থেমস তুরেন্দা হিয়াং তান্নবদা শরুক য়াহন্দে। ঐ ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননি, ইচা নুপীনা লৈবাক অমগী মহারানিনি। ঐ কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী অর্জুন ভাটিয়ানা জুনিয়র ৱর্ল্ড গোল্ফ চেম্পিয়নশিপকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮ (এজেন্সী)ঃ

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকীগী সিটি কালিফোর্নিয়াদা লৈবা পাল্ম দেজর্টতা পাঙথোকপা কিদস গোল্ফ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী গোল্ফর অর্জুন ভাটিয়ানা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

অর্জুন ভাটিয়ানা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরকপা অদুদা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মশামক্কা উন্নদুনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

এফ সি জি কালাৱে জুনিয়র ৱর্ল্ড গোল্ফ চেম্পিয়নশিপ হায়নসু খঙনবা গোল্ফ টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী অর্জুন ভাটিয়ানা চাইনিজ টাইপৈ (টাইৱান)গী গোল্ফর জেরিমি শেনবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

মালেমগী লৈবাক ৪০দগী লাকপা জুনিয়র গোল্ফর ৬৩৭না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা কিদস গোল্ফ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়াগী গোল্ফর অর্জুন ভাটিয়ানা চাইনিজ টাইপৈগী গোল্ফর জেরিমি শেনদগী ষ্ট্রোক ৩ হন্থরগা টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী গ্রেটর নোইদাগী গ্রেটর ভেলি স্কুলগী মহৈরোয় অমা ওইরিবা অর্জুন ভাটিয়ানা চেম্পিয়নশিপ অদুদা পুন্না ষ্ট্রোক ১৯৯ য়েরগা চেম্পিয়নশিপ অদুগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

মহাক্কী মতুংদা চাইনিজ টাইপৈগী জেরিমি শেননা ষ্ট্রোক ২০২ তৌদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা ন্যু জিলেন্দগী গোল্ফর জেসুৱা বাইনা ষ্ট্রোক ২০৭ তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

অর্জুননা চহী ১৩দগীনা ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা গোল্ফরশিংগী ওইনসু খ্বায়দগী ফজবা গোল্ফর ওইবা ঙমখি। মহাক্লা ফোঙদোকখিবদা মশান্না অসিদা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মালেমগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইবতা নত্তনা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরক্তুনা ওলিম্পিক্কী গোল্ড মেদল অমা লৌবা পাল্লি হায়খি।

# পি টি উষা আই এ এ এফ ভেটরান পিনগী নোমিনেট তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী নুপীগী এথলেটিক্সকী পুৱারীদা মমিং লৈরবী পি টি উষা ইন্টর্নেসনল এমেচর এথলেটিক্স ফেদরেসননা পীবা ভেটরান পিনগীদমক্তা নোমিনেট তৌখ্রে।

মহাক্কী করিয়রদা কুমজা ১৯৮৪ লোস এঞ্জেলিস ওলিম্পিক্তা অহানবা ইন্দিয়া মচা অমা ওইনা নুপীগী মিটর ৪০০গী হর্দল লমলেজদা ফাইনেল য়ৌরবা মতুং ব্রোঞ্জ মেদল ফংগদবা সেকেন্দ ১গী শরুক ১০০ থোকপদা খেন্নদুনা লৈহৌখি।

মদুগী মতুংদা পি টি উষানা কুমজা ১৯৮৫তা ইন্দোনেসিয়াগী জকর্টাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অমসু লৌবা ঙমখি। হায়রিবা চহী অদুদা মহাক্লা গোল্ড লৌখিবা ইভেন্টশিং অদুদি মিটর ১০০, মিটর ২০০, মিটর ৪০০, মিটর ৪০০গী হর্দল অমসুং মিটর ৪ x৪০০ রিলেদনি।

আই এ এ এফকী চীফ এক্সজিক্যুটিব ওফিসর জোন রিজিয়োননা পি টি উষা মশামক্তা পীরকপা চেরোল অমদা ৱর্ল্ড এথলেটিক্সকী লমদা মতম শাংনা অচৌবা থৌদাং লৌরকপগীদমক্তা আই এ এ এফ ভেটরান পিন এৱার্দকীদমক নোমিনেট তৌরে হায়না ফোঙদোরকখি। জোননা মখা তানা চেরোল অদুদা পি টি উষাবু চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২৪দা কর্টারদা পাঙথোক্কদবা ফেদরেসন অসিগী কোংগ্রেসতা শরুক য়ানবা হায়রক্লি।

# ইন্দোনেসিয়া ওপনদা পি বি সিন্ধু ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং মখা তাবা ঙমখিদ্রে



জকর্টা, জুলাই ১৮ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দোনেসিগী কোনুং জকর্টাদা ঙসিদগী হৌখিবা ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসতা পি বি সিন্ধু অনীশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। অদুবু টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয়শিং মখা তাবা রাউন্দ চঙবা ঙমখিদ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপীগী নম্বর ১ শান্নরোয় ওইরিবী অদুগা ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ৫ শুবা সিদেদ ওইরিবী ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা ৩লক ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রবী, ওলিম্পিকক্তা মেদল ফংখিগা লোয়ননা মমাঙ চহীগী ৱর্ল্ড বেদমিন্টন টুরদা চেম্পিয়ন ওইখিবী পি বি সিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দ মেচতা দেনমার্ককী মিয়া ব্লিসফেল্ডটকা লম্বা তৌনবদা সেট ৩ চঙনা থেংনরগা মায়থীবা নংখি।



পি বি সিন্ধুনা ঙসি দেনমার্ককী মিয়া ব্লিসফেল্ডটগা লম্বা তৌনবদা অহানবা গেমদা ইৱা ৱাদনা ২১-১৪দা থোইরগা গেম অমা মাংজিল থাবা ঙমদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী মঙলান নকশিল্লকখি।

অনীশুবা গেমদা পি বি সিন্ধুবু দেনমার্ককী মিয়া ব্লিসফেল্ডটকী অশোইবশিংদা খুদোংচাবা লৌদুনা ২১-১৭দা মায় পাক্লগা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অদু গেম অমমম থোইনরগা য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা লৈখি। অরোইবা অমদি অহুমশুবা দিসাইদিং গেম অদুদা পি বি সিন্ধুগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উৎপা ঙমখিবদগী গেম অদু ২১-১১দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় কিদম্বী স্রিকান্ত মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দ মেচতা হোংকোংগী শান্নরোয় ঙা কা লোং এঙ্গসকা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থীহৌখি। অহানবা গেম অদু স্রিকান্ত ১৭-২১দা মায়থীখি। অনীশুবা গেমদা স্রিকান্তনা ফনা কন্না হোৎনরবসু ১৯-২১দা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী প্রনব জেরি চোপ্রা অমসুং এন সিকি রেদি নম্বর ১ পেয়র চাইনাগী ঝেং সি ৱৈ অমসুং হুৱাং য়াকিয়োংগী মখুৎতা ১৪-২১, ১১-২১দা মায়থীহৌখি।

# রামকুমার হোল ওফ ফেম টেনিসকী ২শুবা রাউন্দদা লৈহৌরে



ন্যুপোর্ট, জুলাই ১৮ (এজেন্সী)ঃ

য়ু এস এগী ন্যুপোর্ট সিটিদা পাঙথোকপা এ টি পি হোল ওফ ফেম ওপন টেনিস টুর্নামেন্টক নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রামকুমার রামনাথন অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে।

হৌজিক হৌজিক মালেমগী টেনিস শান্নরোয়শিংগী সিঙ্গলসকী মকোক মথংগী পরিংদা ১৩৪দা লৈরম্বদগী ঙরাং অথেংবদা ন্যুপোর্টকী এ টি পি টুর্নামেন্ট অদুগী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় ফ্রান্সকী ৱর্ল্ড নম্বর ৪৮ উগো হমবর্টকী মখুৎতা ষ্ট্রেট সেট ২দা মায়থীহৌবদগী রামকুমারগী মকোক মথংগী পরিং অসি ১৮১দা হন্থরবা য়াই।

ঙরাংগী টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামনাথন অমসুং ফ্রান্সকু উগো হমবর্টনা লম্বা তৌনখিবা অহানবা সেট অদু য়াম্না লেং মান্নখি। অহানবা সেট অদুদা শান্নরোয় অনীমক মখোয় মখোয়গী সার্ভিস গেম অদু হোল্ড তৌবা ঙমদুনা সেট অদুগী ১২ শুবা গেম লোইশিল্লকপা ফাওবা গেম ৬/৬ থোইনদুনা মশান্না অসিগী পথাপকী মতুং ইন্না টাইব্রেক শান্নখি। টাইব্রেক্কী অহৌবদা লম্বা মান্নরম্বদগী ফ্রান্সকী হমবর্টনা ৭-৫তা থোইদুনা সেট অমা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদা ইন্দিয়াগী রামকুমার রমনাথনগী মায়কৈদগী অশোইবা কয়া য়াওখিবা অমদি ফ্রান্সকী উগো হমবর্টনা ফজবা হেল্লকখিবদগী রামকুমারগী সার্ভিস গেম অহুম্মক ব্রেক তৌরগা য়াম্না কোম্না ৬-০দা থোইরগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেজনা ন্যু জিলেন্দগী মার্কস দেনিয়লগা পেয়র ওইরগা ওষ্ট্রেলিয়াগী সাবিল অমসুং পুর্সেলবু থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

# হিমা দাসনা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা ৪রকশুবা গোল্ড মেদল লৌখ্রে, মহমদ অনাসনা মিটর ৪০০গী গোল্ড ফংখ্রে







ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী নুপীগী মকোক থোংবা এথলেট অমা ওইরিবী হিমা দাসনা ঙরাং জেক রিপব্লিক্তা পাঙথোকপা টাবোর এথলেটিক্স মিটতা মিটর ২০০গী লমজেলদা গোল্ড মেদল ফংদুনা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা মহাক্কী ৪রকশুবা গোল্ড লৌখ্রে। ইন্দিয়াগী নুপাগী এথলেট মহমদ অনাসনা কম্পিটিসন অদুদা মিটর ৪০০গী লমজেলদা মকোক ওইবা ঙমখ্রে।

ঙরাং জেক রিপব্লিক্কী টাবোল এথলেটিক্স মিটতা ইন্দিয়াগী নুপীগী এথলেট হিমা দাসনা মিটর ২০০গী লমজেলদা অদুদা সেকেন্দ ২৩.২৫ চেন্দুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। হায়রিবা কম্পিটিসন অদুদা হিমা দাসকী লম্বা ওইখিবা এথলেটশিং অদু জেক রিপব্লিক্কী তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংগী এথলেটশিংনা নম্না শরুক য়াখিবা কম্পিটিসননি।

লৈবাক অদুগী মকোক থোংবা এথলেট শরুক য়াদ্রবসু হিমা দাসনা কম্পিটিসন অদুদা মহাক্কী করিয়রগী ওইবা মিটর ২০০গী লমজেলদা লৈরিবা সেকেন্দ ২৩.১০গী মতম অদু নকশিনবা ঙম্নবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং অমা ওইখি।

হায়রিবা কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়াখিবী অতোপ্পা ইন্দিয়াগী এথলেট ভি কে বিসময়ানা চহী অসিগী ওইনা মশাগী ওইবা খ্বাইদগী ফজবা টাইমিংদা সেকেন্দ ২৩.৪৩দা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

নীংশিংবা য়াই, মশাগী চহী ১৯দা ঙাইরিবী হিমা দাসনা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা ওইনা য়ুরোপ্তা পাঙথোকপা কম্পিটিসন অমদা থা অসিগী ২দা পোলেন্দদা পাঙথোকখিবা পোজনান এথলেটিক্স গ্রান্দ প্রিদা মিটর ২০০গী লমজেল অদুদা সেকেন্দ ২৩.৬৫ চেল্লগা গোল্ড লৌখি। মদুগী মতুং লৈবাক অদুমক্তা জুলাই ৭তা পাঙথোকখিবা কুটনো এথলেটিক্স মিটতসু সেকেন্দ ২৩.৯৭দা গোল্ড লৌখি। লোয়ননা জুলাই ১৩দা জেক রিপব্লিক্কী ক্লাদনো মিটতা সেকেন্দ ২৩.৪৩ চেল্লগা গোল্ড ফংখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী এথলেট অনাসনা টাবোর মিট অদুদা সেকেন্দ ৪৫.৪০দা মিটর ৪০০গী গোল্ড মেদল লৌখি।

# ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিমগী ওইনা লাক্কদৌরিবা থা ৩ অসি য়াম্না মরু ওইবা মতম ওইরি ঃ কেপ্টেন মনপ্রিট সিংহ





ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিমগী কেপ্টেন ওইনরিবা মনপ্রিট সিংহনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা লাক্কদৌরিবা থা অহুম অসি লৈবাক অসিগী নুপাগী হোক্কিগী ওইনা য়াম্না মরু ওইবা তাঙ্কক অমনি হায়খ্রে।

চহী অসিগী নভেম্বর থাদা টোকিয়ো ওলিম্পিক ক্বালিফায়িংগী ফাইনেল রাউন্দগী মাংওইননা ইন্দিয়াগী হোক্কি টিম অসিনা অতোপ্পা টুর্নামেন্ট অমদি টুরশিং শান্নবদা হান্না লৈরম্বা ফিভমদগী হেন্না ফগৎতবা য়াদবগী তাঞ্জা অমা লাক্লে হায়না কেপ্টেন মনপ্রিটনা ফোঙদোকখিবনি।

হৌজিক হৌজিক ন্যু দিল্লিদা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিমগী ট্রেনিং কেম্প চথরিবা অসিগী মনুংদা ৱাফমশিং অসি মহাক্লা থমখিবনি। ইন্দিয়াগী হোক্কি টিম অসিনা দিল্লিগী হোক্কি কেম্প লোইরবা মতুং অহানবা ওইনা জপানদা ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্ট অমা শরুকয়াগদৌরি।

ওগষ্ট ১৭তগী হৌগদৌরিবা জপানগী ওলিম্পিক টেষ্ট ইভেন্ট অদুদা য়ুম্বুলৈবাক অদুগা লোয়ননা ন্যু জিলেন্দ অমসুং মলেসিয়াগা লোয়ননা লম্বা তৌনগদৌরি। মদুগী মতুংদা ইন্দিয়াগী হোক্কি টিম অসিনা সেপ্টেম্বর থাদা বেলজিয়মদা টুর অমা চৎকদৌরি।

হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অসিগী অমক্তা ঙাইরবা পান্দমদি কুমজা ২০২০দা জপানগী টোকিয়োদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসিদা ক্বালিফাই ওইবা অদুনি। দিল্লিগী ট্রেনিং কেম্প অদুদা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি শান্নরোয়শিংনা মমাঙদা শরুক য়াখিবা টুর্নামেন্টশিংদা ফজবা ঙমখিদবা অশোনবা কয়া অদু শেমদোক্তুনা মপুং ফাবা টিম অমা ওইনা শান্নবা ঙম্নবা হোৎনরি।

কেপ্টেন মনপ্রিটনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোস ওইরিবা গ্রাহম রিদনা চথরিবা ট্রেনিংগী সিষ্টেম অসিনা শান্নরোয়শিংদা য়াম্না কান্নবা অমা পীরি। মরক অসিদা মিদফিল্ডর চিংলেন্সনা শোকখিবা অমসুং ললিতমখ্বাং নাবদগী শান্নবা ঙমদবা অসি হৌজিক্কী ওইনা অৱাবা অমা ওইরি। মখোয় ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং মতমদা ফিট ওইগনি হায়না খল্লি হায়খি।